# হুনা জিকাগা মরী লৈননা পব্লিক হেল্থ ইমর্জেন্সী লাউথোকখ্রে



রিও দে জনৈরো, ফেব্রুৱারী ০২ ঃ

জিকা ভাইরস শন্দোরকপগা মরী লৈননা অশোয়বা অঙাংশিং পোকপগী চাং হেনগৎলকপগী ফীভমবু ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (হু)না পব্লিক হেল্থ ইমর্জিন্সী অমনি হায়না ঙরাং লাউথোকখ্রে।

হুনা থাংলক্লিবা খোঙথাং অসিনা প্রোব্লেম অসি অরুবা অমনি অমসুং মসিদা শেল হেন্না থাদবা, হেন্না পূক্নিং চঙবা অমসুং মালেম পুম্বনা পান্দম অমগী মখাদা থেংনমিন্নবা চঙ্ঈ হায়বসি উৎখ্রে।

ডোক্টরশিংনা কাংনা শন্দোকপা মহীক মখল অমা ওইরিবা জিকাগা ব্রেনগী লায়নাশিং অমসুং মাইক্রোসিফালি হায়না খঙনবা অঙাং শোয়না পোকপগী কন্দিসন অমা হেনগৎলকপগা মরী লৈনহল্লি। জিকানা পূকনুংদা লৈরিবা অঙাংশিংদা শোকহল্লকপা মতমদা পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংশিং অদুগী মকোক মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা পীশক পীকশিল্লি অমসুং ব্রেন দিভলপমেন্টসু মপুং ফাদে।

জিকা ভাইরসমক নত্তবা মসিনা থোকহনবনি হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসিনা মরম ওইদুনা, "মালেম পুম্বনা লুনা লৌগদবা পব্লিক হেল্থ ইমর্জেন্সী" অমনি হায়না লাউথোকপগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়না হুগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা সাইন্টিফিক ওইনা প্রুভ তৌদ্রিবা ওইরবসু জিকা ভাইরসনা প্রোব্লেমশিং অসি থোকহনবনি হায়বগী অকনবা চিংনবা লৈ অমসুং "চেকশিন থৌরাং অমা ওইনা, মালেমগী ওইনা পুন্না থেংনমিন্নবা চঙ্ঈ" হায়না হুগী দিরেক্টর জেনরেল মারগরেট চাননা হায়খি।

হুনা পব্লিক হেল্থ ইমর্জেন্সী লাউথোকপসি মসিনা মরিশুবনি, কুমজা ২০১৪দা হুনা ইমর্জেন্সী অনীরক লাউথোকখি। মখোয় অদুদি ৱেষ্ট অফ্রিকাদা ইবোলা শন্দোরকপা অমসুং সিরিয়া অমসুং অতৈ লৈবাকশিংদা পোলিও লায়না নৌনা অমুক শন্দোরকপনি। কুমজা ২০০৯দা মালেমগী মফম খরদা ঐচ ১ এন ১ স্বাইন ফ্লু শন্দোকখিবদসু হুনা ইমর্জেন্সী লাউথোকখিবনি। হুগী ইমর্জেন্সী কমিটিগী চ্যেরমেন দেবিদ হেমেননা হায়খি মদুদি, মহাক্কী গ্রুপনা ৱারেপ অমা লৌনবা হোৎনবদা অরুবা ওইখি। মসিগী মরুওইবা মরমদি মী অয়াম্বদা জিকা ভাইরস অসিমক্কা ক্লিনিকেল্লি য়েংবদা অরুবা অনাবা থোকহনবা ওইদবা অসিনি।

তৌইগুম্বসুং ইমর্জেন্সী লাউথোকপা অসিনা কাং লাকশিনবগী থবকশিং কনখৎহনবদা মতেং পাংগনি, লায়ওং লেপ্পবগী হেন্না ফবা অনৌবা টেষ্ট অমা পুথোকপদা অমসুং ভাইরস অসিবু থিংনবগী ভেক্সিন অমা পুথোকপদা খোঙজেল থুহনগনি হায়না ওফিসলশিং অদুনা ফোঙদোকখি।

য়ু এসকী সেন্টর' ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সননা হায়খি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস মনুংদা জিকা ভাইরস শন্দোকপগী কেস লৈতে। অনাবা অসি ভাইরস অসিনা হান্নদগী শোক্লবা লৈবাকশিংদা চঙলুবশিংদা পল্লকপনি। য়ু এসতা জিকানা শোকহল্লবশিংগী মনুংদা ভির্জিনিয়াদা লৈবা কোলেজ ওফ ৱিলিয়ম এন্দ মেরিগী মহৈরোয় অমা য়াওরি। মহাক সেন্ট্রেল অমেরিকাদা চঙলুবদা ভাইরস অসি পল্লগা লাকপনি অমসুং মহাক ফরগনি হায়না থাজবা লৈ হায়রি।

মপান্দগী পল্লকপা নত্তবদা লৈবাক মনুংগী মীওইশিংগী মরক্তা শন্দোকপগী কেসশিং পির্টো রিকোদা থেংনবগা লোয়ননা মীরোনবী নুপীশিংনা জিকাগী লায়চৎ লৈবা মফমশিংদা চৎতনবা খঙহনখ্রে হায়না সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোলনা ফোঙদোকখ্রে।

# নাসাগী ওরিওন স্পেসক্রাফট চাংয়েং তৌনবা ফ্লোরিদাদা পুরকখ্রে

ন্যু য়োর্ক, ফেব্রুৱারী ০২ ঃ


মীওইববু মার্স (প্লানেট)তা চঙবা য়ানবা মওংদা দিজাইন তৌবা নাসাগী স্পেসক্রাফট ওরিওন কেপ্স্যুল য়ু এস স্পেস এজেন্সী অসিগী ন্যু ওরলিয়ন্সতা লৈবা মিকাউদ এসেমব্লি ফেসিলিটিদগী ফ্লোরিদাদা লৈবা কেনেদি স্পেস সেন্টর (কে এস সী)দা ষ্ট্রকচরেল ইন্তিগ্রিটি চাংয়েংশিং পাঙথোক্লবগীদমক পুরকখ্রে।



এক্সপ্লোরেসন মিসন-১দা শীজিন্নগদৌরিবা নাসাগী প্রেসর ভেসেল ওরিওন কেপ্সুল অদু ঙসি কে এস সীদা পুরি হায়না নাসাগী কেনেদি স্পেস সেন্টরনা ঙরাং ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

সুপর গপ্পী এয়রক্রাফট অমদা পুখিবা ওরিয়ননা অষ্ট্রোনোট মরি পুগনি অমসুং কুমজা ২০১৮গী চাংয়েংগীদমক্তা কন্না শেম-শাগৎলিবা নাসাগী রোকেট স্পেস লোঞ্চ সিষ্টেম (এস এল এস)না স্পেস ক্রাফট অদুবু নোংথক্তা পুখিগনি। সুপর গপ্পীগী কার্গো এরিয়া অসি অৱাংবা ফুট ২৫, পাকপনা ফুট ২৫ অমসুং অশাংবদা ফুট ১১১নি। টন ২৫গী কার্গো পুবা ঙম্বা জম্বো প্লেন অসি নাসানা লৈবাক (য়ু এস)কী মফম কয়াদা কম্পোনেন্ট ময়াম পুবদা মতম শাংনা চঙদনবগীদমক্তা তোয়না শীজিন্নে।

# 'টেরর ওর্গনাইজেসনশিং থিংজিল্লবদি খুৎ হনগনি'



জে ঈ এমগী মকোক মশুদ অঝার

হায়দ্রবাদ, ফেব্রুৱারী ০২ ঃ পাকিস্তাননা টেরর আউটফিটশিং থিংজিল্লক্লবদি শোয়দনা খুৎ হনগনি হায়না জাইশ-ঈ-মহম্মদ (জে ঈ এম)গী মকোক মশুদ অঝারনা ফোঙদোকখ্রে।

পেশৱারদা বেজ তৌবা মেগাজিন অল-কলামদা ফোঙখিবা ন্যুজ আইটেম অমদা অঝারগী ৱারোল পল্লদুনা "করিগুম্বা ঐহাকপু ফাবা তারবদি ঐহাক্কী আর্মীনা ঐখোয়গী য়েক্লবশিংবু (মহাক ফাবগী) হরাওবা ফোঙদোকপা ঙমহল্লোই।" হায়না ফোঙদোকখি।

"ঐহাক্না শিববু লুনা খন্দবা আর্মী অমা শেল্লে। মসিগী আর্মী অসিবু মরু ফুকপা হায়বসি য়েক্লবশিংনা পায়রিবা পৱারনা ঙমগদবা থবক নত্তে। লাইনা য়াবীরবদি মসিগী আর্মীসিনা ঐখোয়গী য়েক্লবশিংবু ঐহাক ফাবগী হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপা ঙমহল্লোই। ঐহাকপু কায়নবগী তাঞ্জা অমত্তসু ঐহাক্কী মীশিংনা ফংলোই" হায়না অঝারনা হায়খি।

ইন্দিয়ানা মশুদ অঝারবু থা অসিগী অঙনবদা পথানকোট এয়রফোর্স বেজদা চথখিবা শাথিরবা টেরর এটেক অদু শিনখিবা মীশকনি হায়না মরাল শিখি।

পনবা য়াবদি, এটেক অদুদা মিলিটরি পর্সনেল তরেৎ শিখি অমসুং অতোপ্পা ২০না শোকখি। অফ্গানিষ্টানগী কান্ধারদা হায়জেক্ট তৌখিবা ইন্দিয়ন এয়রলাইন্সগী পেসেঞ্জরশিংগা ওন্নদুনা কুমজা ১৯৯৯দা ইন্দিয়ানা মশুদ অঝারবু থাদোকখিবনি। হৌখিবা থাদা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা পথানকোটকী এটেকতা চেন্নখিবশিংগী মথক্তা অথুবদা এক্সন লৌখৎকনি হায়না থাজবা পীখি।

হৌখিবা থাদা পাঙথোকখিবা পথানকোট এটেক অদুদা জে ঈ এম চৈন্নে হায়বা ইন্দিয়াগী ৱাফম অদুগী মতাংদা থিজিনহন্নবা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা মেম্বর তরুক্না শাবা ইনভেষ্টিগেসন টিম অমা শেমখিবনি। জন্যুৱারীগী অনীশুবা চয়োলদা শেমখিবা টিম অদুদা পঞ্জাবকী কাউন্টর টেররিজম দিপার্টমেন্টগী এদিসনেল ইন্সপেক্টর জেনরেল রাই টাহিরনা লূচিংখি।

# ইজরেলনা সাউদর্ন ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা য়ুম ১০দগী তাদনা থুগাইখ্রে

জেরুসালেম, ফেব্রুৱারী ০২ ঃ

ইজরেলি ফোর্সশিংনা সার্উর্দন ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা য়েৎনরিবা মিলিটরি জোনদা লৈবা য়ামদ্রবদা য়ুম ১০দগী তাদনা থুগাইখিবগা লোয়ননা ইমুং কয়ামরুম ময়ুম লৈহন্দ্রে হায়না ওথোরিটিশিং অমসুং মফম অদুগী মীওইশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

লান্মীশিংনা হেব্রোনগী মখারোমদা লৈবা খিরবেট জেনবাহ খুঙ্গং অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈবা য়ুম ২৪ পুংথু-থুগাইখি হায়না এসোসিএসন ওফ সিবিল রাইটস ইন ইজরেলনা ফোঙদোকখি। ইজরেলি ওফিসলশিংনা ষ্ট্রক্টচরশিং অদু ইলিগেল ওই হায়খি।

ঙসি অয়ুক পুং ৭ মুক তাবদা ফোর্সশিং থুংলখি অমসুং য়ুম-কৈ থুগাইবগী থবকশিং অদু চথুখি। থৌদৌ অদুনা ইমুং ১২ মতম খরগী ওইনা ময়ুম-মকৈ লৈহনখিদে। পুন্না মীওই ৮০ রোম ময়ুম-মকৈ লৈহন্দ্রে হায়না লোকল ভীলেজ কাউন্সীল অমগী মকোক নিদাল মৌনিমনা হায়খি।

এরিয়া অদুগী মীশিংবু অতোপ্পা মফমশিংদা হোংদোকখিনবা ইজরেলনা মতম শাংনা কেম্পেন তৌরকখি। কুমজা ১৯৭০গী মতুং চহী খরদুদা এরিয়া অদু মিলিটরি জোননি হায়না ইজরেলি গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখিবনি।

ইজরেলি গভর্ণমেন্টনা নমদুনা ক্লেম তৌবদা হ্যুমেন রাইটস হঞ্জিন হঞ্জিন্না শিংনখি। ওকুপাইদ টেরিটরিদা মিলিটরি জোন অমা শেম্বা হায়বসি ইলিগেল ওই হায়না সারিট সাইকলিনা ফোঙদোকখি।

# অসাদকী লান্মী চঙলকপদগী সিরিয়ন ৩,০০০ টর্কিদা চেনখ্রে

অঙ্গরা, ফেব্রুৱারী ০২ ঃ

সিরিয়াগী লাটাকিয়া প্রোভিন্সকী অৱাংদা গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা ফোর্সশিং চঙশিল্লকপদগী চেন্নখিবা টর্কমেন অমসুং আরাব ৩,০০০ হেন্না হৌখিবা নুমিৎ হুম্নি অসিদা টর্কিদা লানশিল্লকখ্রে হায়না টর্কিশ দিজাষ্টর এজেন্সী প্রফাদনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

রশিয়ন ফোর্সশিংনা নোংথক্তগী বোম থাদদুনা শৌগৎপা প্রো-গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা সিরিয়াগী য়ামাদি কৌবা খুঙ্গং অমদা লৈবা কেম্প অমদগী অয়াম্বনা টর্কমেনশিং ওইবা মীওইশিং হোংদোকহনখিবদগী অহেনবা মাইগ্রেন্ট লিশিং কয়া টর্কিদা থুংলরবা য়াই হায়না টর্কমেন ওফিসল অমনা হায়খি।

"রশিয়ন ফোর্সশিংগী সপোর্ট য়াওবা এটেকশিং অদু য়ামাদি কেম্পতসু য়ৌশিল্লকপদগী পীশক পীল্লিবা অঙাংশিং য়াওনা অঙাং, নুপী অমসুং অহল ওইরবা নুপা-নুপীশিং ঙাক্তা ওইবা মাইগ্রেন্ট ৭৩১গী অহানবা গ্রুপ অদু ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা চঙশিল্লকখ্রে" হায়না অফাদকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

টর্কিগী খা থংবদা লৈবা হাটাই প্রোভিন্সকী মনুং চনবা য়াইলাদাগি হায়বা বোর্দর টাউন অমগী মনাক্তা লৈবা দালুয়াবিদা খুঙ্গং ফাওদুনা পুন্না মীওই ৩,১২০ চঙশিল্লকখি।

প্রো-গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা লাটাকিয়া প্রোভিন্সতা লৈবা রেবেলশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈবা রাবিয়া টাউন খুদুম চনখিবদগী সিরিয়াদগী টর্কিদা মীশিং চঙশিল্লকপা হেনগৎলকখিবনি।

চহী ২গী মনুংদা অহানবা ওইনা য়ুএননা শৌগত্তুনা জিনেভাদা পিছ তোক্স চথুনবা কন্না লাংলিঙৈ মরক্তা টর্কমেনশিংনা অয়াম্বা ওইবা সিরিয়ানশিংদুনা ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নরকখিবনি।

প্রসিদেন্ট বাশর অল-অসাদকী পোলিটিকেল অমসুং মিলিটেন্ট ওপোনেন্টশিং য়াওবা সাউদি আরাবিয়ানা শৌগৎপা হায় নিগোরিয়েসন কমিটি (ঐচ এন সী)গী মীহুৎশিংনা সিভিল্যানশিংদা এটেক তৌবা লেপ্পবা, ফাদুনা থল্লকপশিংবু থাদোক্লবা অমসুং অৱা-তেংবাঙ অমসুং হীদাক-লাংথক্কী পোৎশকশিং পুশিনবদা অথিংবা থল্লিবদু লৌথোক্লবা তকশিনখিবনি।

থা ৪গী মনুংদা মোস্কোনা অসাদপু শৌগৎতুনা নোংথক্কী কেম্পেন অমা চথুবা হৌখিবদগী রশিয়ানা চথুবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা মীচম ১,৪০০ রোম শিখ্রে হায়না সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ঙরাং ফোঙদোকখি। জিনেভাদা পিছ তোক্স হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা বোম্বিং এটেকশিং হেন্না কনশিল্লকখি হায়না ওপোজিসন দেলিগেট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োল লোইশিল্লকপদা রশিয়নশিংনা কেম্পতা এটেক অমা চথুখি হায়না টাইলাদাগিদা টর্কমেন ওফিসল অমনা হায়খি। লাইবক ফব্দগী কেম্পকী ময়াই চবুক্তদি বোম তারকখিদবনি। অদুম ওইনমক মীওই ৪০ রোম শোকখি হায়না মখা তাখি।

"লাটাকিয়াগী অৱাংলোমদা লৈবা টাউন অমসুং খুঙ্গং কয়া মী তাক্লে। তৌইগুম্বসুং হৌজিকসু চেলহৌদবা মীচম ৩,০০০দগী ৪০০০ ফাওবা লৈরি হায়না ওফিসল অদুনা মখা তাখি।

Phicomm Mobiles which was available only at ONLINE STORES, now available at the market.

PHICOMM
YOUR PORTAL TO SMART LIFE

Launching
Phicomm Clue 630



4G Roaming Support
Speed up with the latest 4G LTE
Support Dual Micro SIM.
Support Mobile Data Service While Calling On The Phone.

Only at Rs. 5699/-

* Android 5.1(LOLLIPOP)
* Ultra Compact, Ultra slim
* 5" FWVGA Display
* Qualcomm Quad-Core, Snapdragon Processor
* 5MP FF + 2MP
* 1GB DDR3 RAM+8GB ROM (Expandable to 64GB)

4G
2300mAh

HL-B/2895/13/01-12/02

# পাকিস্টানি ওথোরিটিশিংনা মাদ্রাসা ১৮২ রোম থিংজিনখ্রে

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ০২ ঃ

কুমজা ২০১৪দা পেশৱারদা লৈবা স্কুল অমদা চথখিবা শাথিরবা টেররিষ্ট এটেক অদুগী মতাংদা লৈবাক শিন-থুংনা এক্সত্রিমিজমগা মরী লৈনবনি হায়বা লাইনিং-লাইশোলগী সেমিনারিশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎলদুনা পাকিষ্টানি ওথোরিটিশিংনা মাদ্রাসা ১৮২ থিংজিনখ্রে হায়না ঙসি মিদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

কা হেনবা থবক থৌওং কয়া অমসুং অতৈ চিংননিংঙাই ওইবা থবক থৌওং কয়াদা চেন্নবগীদমক্তা পঞ্জাব, সিদ্ধ অমসুং খাইবর পাখটুনখৱাদা লৈবা মাদ্রাসাশিং থিংজিনখ্রে হায়না পাউগী এজেন্সী অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মাদ্রাসাশিং থিংবিদনবগী থবক অদু কুমজা ২০১৪গী দিসেম্বর থাদা মিলিটেন্টশিংনা আর্মীগী স্কুল অমদা এটেক তৌদুনা স্কুল অঙাংশিং য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫০ হাৎখি। থৌদোক অদুগী মতুংদা চৎনহনখিবা নেসনেল এক্সন প্লান (এন এ পি)গী মখাদা পায়খৎখিবনি।

টেররিজমগী থবক থৌরমশিংদা শেল চঙবা লেপহন্নবগী পান্দমদা পুথোকপা লাল্লোংগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেট বেজ ওফ পাকিষ্টান (এস বি পি)না হৌজিক ফাওবদা অথিংবা থল্লবা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংগা মরী লৈনবা লুপা বিল্লিয়ন অমরোমগী একাউন্ট ১২৬ থিংজিল্লে হায়রি।

লো-ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সীশিংনা শেল ওইনা লুপা মিল্লিয়ন ২৫১সু ফাগৎলে। গভর্ণমেন্টনা মীওই ৮,১৯৫গী মমিংশিং মরিশুবা সেদ্যুলদা লৈহনখ্রে অমসুং ১৮৮না এক্সিট কন্ট্রোল লিষ্টতা য়াওহনখ্রে। হার্দকোর মিলিটেন্ট ২,০৫২না চখোক-চৎশিন তৌবদা অথিংবা খরা থমখ্রে হায়রি।

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - FOUNDATION COURSE FOR CLASS I to X (Starts on 7th January 2016)
BOARDING FOR CATHOLIC SCHOOLS, HERITAGE, IBOTONSANA, T.G., REGULAR, IPS, STANDARD ROBERT, ETC.
FACULTY : RESOURCE PERSONS & FORMER HEAD - EXAMINERS
Time : 4.30 p.m. to 7.30 p.m.




SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
ALL CLASSES ARE STRICTLY MONITORED BY CCTV
:-9856988840 / 9863265726
9863222153
HL-B/2893/12/01-10/03(Alt)
HL-B/2915/22/01-6/02

## EMPLOYMENT NEWS

**Bipin Tripathi Kumaon Institute of Technology** (BTKIT)
(An Autonomous College of Govt. of Uttarakhand)

Dwarahat (Almora) – 263653, Uttarakhand

Applications are invited from eligible candidates by speed/ registered post only for the faculty posts of **Assistant Professor/ Associate Professor/ Professor** in various departments/ subjects of Engineering :

1. **Professor** : 08 posts, Pay Scale : Rs. 37400-67000 AGP Rs. 10000/-
2. **Associate Professor** : 11 posts, Pay Scale : Rs. 15600 - 39100 AGP Rs. 8000/-
3. **Assistant Professor** : 27 posts, Pay Scale : Rs. 15600 - 39100 AGP Rs. 6000/-

**Application Fee :** Rs.1000/- (Rs.500/- for SC/ST) in favour of Director, Bipin Tripathi Kumaon Institute of Technology, Dwarhat payable at Dwarhat.

**How to Apply** : Interested candidates are requested to send their applications in the prescribed format should be send to the office of the Registrar of Institute on or before **29/02/2016**.

Kindly visit **http://www.kecua.ac.in/downloads.php** for details and application form

**INDIAN AIR FORCE** (IAF)

Indian Air Force invites application from Unmarried male outstanding Sportsmen Indian Citizens for selection as **Airmen in Group 'Y'** in various sports disciplines :

**Sports Disciplines** : Athletics / Basketball / Boxing / Cross Country / Cricket /Cycling/ Football / Gymnastics / Hockey / Handball / Kabaddi / Law Tennis / Shooting / Swimming / Volleyball / Water Polo / Wrestling / weight Lifting / Golf

- **Airmen Group 'Y' (Sportsmen).** (i) Passed Intermediate / 10+2 / Equivalent Examination in any stream/ subjects approved by Central / State Education Boards (ii) should have represented Junior International meet in any of the above mentioned sports disciplines. (iii) should have attained the standard of fifth place in the Junior National Championship or Inter University Championship (iii) In the team events, the individual should have represented state in Junior National Championship and National School Tournament conducted by School Games Federation of India (SGFI) (iv) Candidates represented International / National level and achieved position but not possessing 10+2 education qualification may also apply., Age : Born between 01/07/1995 to 28/06/1999.

**How to Apply** : Application in the prescribed format should be send within 21 days of the publication of the detailed advertisement in Employment News weekly (published on 30th January 2016 page no. 32, i.e. the last date is **20/02/2016**) to **Secretary, Air Force Sports Control Board, C/o Air Force Station New Delhi, Race Course, New Delhi - 110003.**

For further information, please visit http://indianairforce.nic.in and http://careerairforce.nic.in

**Himachal Pradesh (HP) Public Service Commission (PSC)**
Nigam Vihar , Shimla-171002 (HP).

Various Job posts by Himachal Pradesh PSC
Advt. No. 02/2016

Online Recruitment Applications (ORA) are invited from the desirous and eligible candidates for recruitment to various posts in various Departments of Himachal Pradesh Government:

1. Department of Medical Education
   1. **Assistant Professor :** 06 posts in various medical disciplines
2. Department of Town & Country Planning
   1. **Senior Planning Draughtsman** : 02 posts
3. Department of MPP & Power
   1. **Company Secretary : 01 post**
   2. **Assistant Engineer (Electrical) : 04 posts**
   3. **Assistant Engineer (Civil) : 02 posts**
4. Department of Irrigation & Public Health, Department of Public Works and Department of Industries
   1. **Assistant Engineer (Civil)** : 10 posts for Department of Irrigation & Public Health
   2. **Assistant Engineer (Civil)** : 09 posts for Department of Public Works
   3. **Assistant Engineer (Civil)** : 02 posts for Department of Industries
5. Department of Ayurveda
   1. **Amchi (Tibetan Chikitsa)** : 03 posts
6. Department of Health & Family Welfare
   1. **Medical Officer (Dental)** : 02 posts
7. Department of Industries
   1. **Manager (Finance & Accounts)** : 01 post

**Application Fee** : Application on the specimen form duly completed should be accompanied by examination fee of Rs. 400/- (Rs.100/- for candidates belonging to SC, ST and OBC categories of Himachal Pradesh only), through a e-challan by cash in any branch of Punjab National Bank or by using Visa/ Master/Credit/ Debit Card.

**How to Apply** : Apply Online at HPPSC website on or before **27/02/2016.**

Please view further details and apply online at **http://hp.gov.in/hppsc** (Left Hand sidebar)

PUBLIC SCHOOL
NINGTHOUKHONG
ADMISSION OPEN FOR THE SESSION - 2016
( NURSERY TO X)
- Imparting Advance Education From Experienced, Dedicated & Dynamic Teachers
- Extreme Focus on National & International Level Competitions.
- Based on High Moral Discipline to achieve "leading by Example"
- Strong Ambition to "Impart Quality Education For a better Society"
- Brainobrain International is Introduced for children's Brain Skill Development
- Standard BOARDING Facilities for Boys & Girls (Class III-X)

Seats are limited
Classes commencing from 28th January, 2016
For detials pliz contact : 09856477527, 8415839030, 9856835356